### ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ

## ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুরনা গোল্ড মেদল ৭/৭ ফংখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈরিবা বোক্সিং এরেনাদা থা অসিগী ২২দগী হৌরকখিবা মণিপুর ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা বাউটশিংদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী বোক্সরশিংনা গোল্ড মেদল ৭/৭ ফংমিন্নখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী মায়কৈদগী গোল্ড ফংখিবা বোক্সরশিং অদুদি সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৩৫দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী যসোবন্ত য়েংখোমবু ৫-০দা থোইরম্বা তোনাম্বম চীঙ্খোঙানবা, সব-জুনিয়র গর্লসকী কেজি ৪৩দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কিরন চিংঙাখমবু ৫-০দা থোইরম্বা থৌনাওজম অঞ্জলিনা, সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪৩দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইরোম কংলৈৱাংবু ৫-০দা থোইরম্বা নিংথৌজম অকাবা, এলিট ৱিমেনগী কেজি ৫৭তা বিষ্ণুপুরগী সোইবম বিনিতাবু ৪-১দা থোইরম্বী কে ঐচ সামিম বানু, সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৩৭কীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম নোংদ্রেনখোম্ববু ৫-০দা থোইরম্বা এল অমবেদকর মীতৈ, জুনিয়র গর্লসকী কেজি ৪০দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ভুমিকাবু ৫-০দা থোইরম্বী লাইশ্রম জয়ালক্সমী লোয়ননা সব-জুনিয়র গর্লসকী কেজি ৪৬তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাওরেম রিনাবু থোইরম্বী স্নেহা থাংজমনি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী গোল্ড ফংখ্রবশিং অদুদি য়ুঠ ৱিমেনগী কেজি ৫২দা চুড়াচান্দপুরগী নিয়াংঙাইদিমবু থোইরম্বী মাইবম রোজমেরি, সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪০দা ইম্ফাল ইষ্টকী নেপোলিয়নবু থোইরম্বা অমরাজ, সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৩৭তা ইম্ফাল ইষ্টকী সী ঐচ রোশনবু থোইরম্বা থিংঙোম রিশি, সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৫৮দা ককচীংগী ৱাই বিক্রমবু থোইরম্বা সোইবম জেনিশ, জুনিয়র গর্লসকী কেজি ৫৪দা থৌবালগী মন্দাবু থোইরম্বা সুপ্রিয়া থোকচোম, সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪৯দা ককচীংগী পুন্সিববু থোইরম্বা পুখ্রম্বম বিকি অমসুং সব-জুনিয়র গর্লসকী কেজি ৪৯দা থৌবালগী অর্চনাবু থোইরম্বী লক্সমীনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী গোল্ড ৪ লৌখিবশিং অদুদি সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪৯দা বিষ্ণুপুরগী পাইখোম্ববু থিল্লম্বা টি ঐচ নিলবির, জুনিয়র বোইজকী কেজি ৬৩দা কে ঐচ বিকেন, এলিট মেন্সকী কেজি ৭৫দা টি ঐচ নিও অমসুং সব-জুনিয়র গর্লসকী কেজি ৩১দা থৌদাম মেরিনানি।

## চিলিগী মখূৎতা ইন্দিয়াগী টিম ০-৩দা মায়থীখ্রে



মানোস, নভেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
ব্রাজিলগী সিটি মানোসতা লৈবা এমাজোন এরেনাদা ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা শান্নখিবা লৈবাক ৪গী ওইবা ৱিমেন্স ইন্টরনেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী থৌনা ফরবা নুপীগী টিম অদু ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল ০-৩দা মায়থীবা নংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেটচতা য়ূম্বু ব্রাজিলগী মখূৎতা পাঞ্জল ১-৬তা মায়থীবা নংখিবনি। ঙসি অয়ূক্কী মেটচ অদুদা ব্রাজিলগা শান্নখিবা অদুদগী কোচ থোমাস দেনর্বিনা গোলকিপর অদিটি চৌহানগী মহুৎ এম লিন্থোইঙম্বীনা শিনখি। লোয়ননা হান্না শান্নরম্বা কমলা অমসুং দাংমৈ গ্রেসকী মহুৎতা মার্টিনা থোকচোম অমসুং মনিশা পানা চঙখি।

চিলিগী মায়কৈদগী ঙন্না এটেক চথুরকখিবশিং অদু গোলকিপর লিন্থোইঙম্বীনা ঙাকথোকপা ঙমখি। অদুবু মখা তানা এটেক মরী-মরী চথুরকপা অদুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লমদাইদা রোজাসনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু খূদোংচাবা ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়াগী কাউন্টর এটেক অমদা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা দাংমৈ গ্রেসনা ফংখিবা বোল অদু কাওশিনবদা চিলিগী গোলকিপরনা ফাখি। চিলিনা মখা তারকপা মিনট ২গী মনুংদা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা ৩-০দা থোইখি।

### য়ু-১৯ কুশ বিহার ট্রোফি ক্রিকেট

## মণিপুরনা মেঘালয়াদগী রন ১১১ হেন্দুনা লৈরি

ভুবনেশ্বর, নভেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
ওরিষ্যাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কে আই আই টি ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা নুপাগী চহী ১৯ মখাগী কুশবিহার ট্রোফি ২০২১-২২গী ঙসি অহানবা নুমীৎ শান্নবা লোইশিনখিবদা মণিপুরনা মেঘালয়াদগী রন ১১১ হেন্দুনা লৈরি।

মেটচ অদুগী টোস মেঘালয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা মণিপুরগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংস শান্নবদা ওভর ৬২গা বোল ৫ শান্নবদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১৯৭ লৌবা ঙমখি। মণিপুরগী মায়কৈদগী টিম অদুবু লুচিংখিবা কেপ্টেন জোটিন ফৈরোইজমনা য়াম্না ফজবা মওংদা শুপ্নগী বোল ১৪৪দা রন ১৩১ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ইন্নিংস অদু মহাক্কী মায়কৈদগী ওইখি।

মহাক্কী ইন্নিংস অদুবু মতেং পীখিবা অতোপ্পা বেটসমেনশিং অদুদি বোল ১১২দা রন ১৯ লৌখিবা চেম্পিয়ন, বোল ৩১দা রন ১৮ লৌখিবা উলেনয়াই অমসুং বোল ৩৭তা রন ১০ লৌখিবা রোহিটনি। মণিপুরগী ইন্নিংসকী মায়োক্তা মেঘালয়াগী বোলরশিংগী মনুংদা ভারতনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজখি। অদুগা অতোপ্পা বোলর সন্তোশ, মনিশ অমসুং রাঘভনা মণিপুরগী বেটসমেন ২/২ আউট তাহনখি।

মেঘালয়ানা মণিপুরগী অপূনবা রন ১৯৭ অদুগী মায়োক্তা ইন্নিংস হৌরকপদা ওপনর মৃনল দাস য়াম্না ফজনা শান্নখি। মহাক টিম অদুগী মায়কৈদগী ঙসি শান্নবা লোইশিনখিবদা ওভর ৩০দা আউট ওইদনা বোল ৮৯ মায়োক্নরগা রন ৪৯ লৌদুনা লৈরি। মণিপুরগী মায়কৈদগী বোলর কদমজিৎনা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎতুনা মেঘালয়াগী বেটসমেন ৫ ওভর ৮ লংবদা শুপ্নগী রন ১০ পীরগা আউট তাহনখি। মেঘালয়াগী মায়কৈদগী বেটসমেন অনমোলনা বোল ৩২দা রন ১৫ লৌরম্বা, রোহিটনা বোল ২৬তা রন ৮ লৌরম্বা, লোয়ননা ঙসিগী অহৌবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিনবদা বোল ১৪ মায়োক্নবদা আউট ওইদনা রন ৫ লৌদুনা লৈরিবা ভারতকী পর্ফোর্মেন্সশিং পনবা য়াই।

ঙসি শান্নবা লোইশিল্লকপা অদুদা মেঘালয়াগী বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ৮৬ লৌদুনা মণিপুরদগী রন ১১১ শোথদুনা লৈরি। হয়েং নীনি শুবা নুমীৎতা মণিপুরগী বোলরশিংনা ফজবা ঙল্লবদি মেটচ অদু মায় পাকপা য়াবগী অচৌবা লম্বেল অমা লৈরি।

## চেন্নাইন এফ সীনা এন ঈ য়ুনাইটেদ ২-১দা থোইখ্রে




ফটোর্দা, নভেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
গোৱাগী ফটোর্দা সিটিদা লৈবা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা নহা শান্নরোয়না নম্না য়াওখিবা চেন্নাইন এফ সীনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

অহৌবা পুংখায় অমগী মতম লেং য়াম্না মান্নদুনা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। ৪১শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফ সীনা ফ্রী কিক অমা ফংখি। মদুদা বোল অদু চেন্নাইনগী মায়কৈদগী নোর্থ ইষ্টকী দিফেন্দর অমনা মুল্লবসু মখোয়গী পেনাল্টি বোক্স মপান্দা নান্থোকখিবদগী চেন্নাইনগী লালিয়ান জ্বালা শাংতেনা খূদোংচাবা লৌদুনা পাঞ্জল চল্লগা ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মতম ইকুই কুইদ্রিঙৈ চেন্নাইন এফ সীগী গোলকিপরগী অশোয়বা অমগী খূদোংচাবা লৌদুনা ৫০শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা থ্রো ইন অমা তৌরকপা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় সুহের বদাকিপিদিকাগী মপা য়ৌরকপদা চেন্নাইনগী গোলকিপর ভিশাল কেটনা পঞ্চ তৌবদা পালহৌদবদগী সুহেরদগী থকচিল্লগা ইক্বেলাইজর অদু ওইখিবনি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুংদা মখা তানা টিম অনীগী শান্নরোয়শিং অহেনবা পাঞ্জল অদু থিরকপদা শান্নবগী ৮৪শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফ সীনা ফংখি। টিম অদুগী শান্নরোয় রহিম অলিনা ফিল্ডগী ময়াইদা পীরকপা বোল অদু অনিরুধ থাপানা নোর্থ ইষ্টকী দিফেন্দর অনী লান্থোক্তুনা পুশিল্লগা শাফূ কন্না কাওশিনখিবদা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু ওইখি।

ঙসি মায় পাকখিবা চেন্নাইন এফ সী মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাল্লগা পোইন্ট ৬ ফংলি। অদুবু মখোয়গা চপ মান্ননা মেটচ অনীদা অনী মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলিবা এ টি কে মোহন বগাননা গোল দিফরেন্সতা হেনবদগী টিম ১১গী পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। এফ সী গোৱা মেটচ ২দা অনীমক মায়থীদুনা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরি।

## নুপীগীদা সেন্ট এন্থোনি মায় পাকখ্রে, নুপাগীদা টিম ৪ থোইখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএ-সননা শীন্দুনা ব্রহ্মপুর নহাবমদা লৈবা বাস্কেটবোল কোর্টতা চথুরিবা ষ্টেট লেভেল বাস্কেটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী মেটচ অমদা সেন্ট এন্থোনিনা ঈ এস য়ুবু মায়থীবা পীখ্রে। নুপাগীদা এস আর দল্লিয়ু সী, ৱাই সী উরিপোক, লমকা বি সী অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ুনা মখোয়-মখোয়গী লম্বা থোইবা ঙমখ্রে।

নুপীগী মেটচ অদুদা সেন্ট এন্থোনিগী মায়কৈদগী ফজবা হেন্দুনা পেরিয়দ ৪মক্তা স্কোর তৌবা ঙমখি। অহানবা পেরিয়দতা মখোয়না ঈ এস য়ুবু ৮-০দা হেনখি। অনীশুবদসু ৯-৬তা হেনখি। অহুমশুবদা ৫-০দা অদুগা মরিশুবদনা পোইন্ট ১১-৪দা হেন্দুনা অপূনবা পোইন্ট ৩৩-১০দা মায়থীবা পীখি।

নুপাগী মরিশুবা মেটচতা এস আর দল্লিয়ু সীনা সী ৱাই এল সীবু পোইন্ট ৮৪-৫৭তা থোইখি। অহৌবা পেরিয়দ অহুম্মক এস আর দল্লিয়ু সীনা মাঙজিল থারবা মতুং অরোইবা পেরিয়দতা সী ৱাই এল সীনা হেল্লবসু মখোয় মায়থীখি।

নুপাগী ৫শুবা মেটচতা ৱাই সী উরিপোকনা সী দি এল বি সীবু পেরিয়দ মরিমক মাঙজিল থাবা ঙমদুনা অপূনবা পোইন্ট ৬৩-২১দা থোইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ৬শুবা মেটচতা এলিট ক্লব অমসুং লমকা বি সী লম্বা তৌনরকপদা শুপ্নগী পোইন্ট ১০ খক হেল্লগা লমকা বি সীনা এলিট ক্লববু ৫২-৪২দা থোইখি।

নুপাগী ৭শুবা মেটচতা ৱাই পি ঐচ য়ু অমসুং সেন্ট এন্থোনি লম্বা তৌনবদা শান্নখিবা পেরিয়দ মরিমক ৱাই পি ঐচ য়ুনা হেন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ৱাই পি ঐচ য়ুনা পোইন্ট ৪০-১৮দা হেন্দুনা লৈখি। অদুগা ২শুবা হাফতা অনৌবা পোইন্ট ৩৬-১০দা হেন্দুনা ৭৬-২৮দা থোইখি।

## ঐচ কে কে এস এনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টাইটল লৌখ্রে



থৌবাল, নভেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):
দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই শান্নবুংদা চথুরকপা ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২১গী অরোইবা মেটচতা ঐচ কে কে এস এনা এস এল ৱাই ওবু মায়থীবা পীদুনা ঈ এল ৱাই এস এগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা হেনবদগী টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি লীগ অদুগী অরোইবা মেটচতা ঐচ কে কে এস এ হাওখা কিয়াম অমসুং এস এল ৱাই ও তেকচমগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ৫-১দা থোইদুনা মেটচ ৪ শান্নবদা ২ মায় পাল্লগা ২ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৮ ফংখি। অমরোমদা, ঈ এল ৱাই এস এসু মেটচ ৪ শান্নবদা ২ মায় পাক্তুনা অমদি ২ দ্রো চৎলগা পোইন্ট ৮ ফংখি। অদুবু ঐচ কে কে এস এনা গোল চনবা মশীং ১২ ওইখিবদা ঈ এল ৱাই এস এনা গোল ৯ চন্দুনা অমদি মায়োক্নবা টিমশিংনা চনশিল্লকপা পাঞ্জল ৭/৭ ওইখিবদগী গোল দিফরেন্সতা এস কে কে এস এনা ৫ অদুগা ঈ এল ৱাই এস এনা ২ লৈখিবদগী লীগ অদুগী টাইটল এস কে কে এস এনা লৌখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ঐচকে কে এস এগী পাঞ্জল জর্সি নম্বর ১২ এম পৃথিবিরাজনা শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা চনখি। অহানবা হাফ অদুগী লোইরমদাই ২৪শুবা মিনটতা ঐচকেকেএসএগী জর্সি নম্বর ৫ এল দেরিলনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা হাফ লোইশিনখি। ২শুবা হাফতা দেরিলনা ৩৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গসু হাপচিনখি। লোয়ননা টিমমেট জর্সি নম্বর ১৬ টি দোনাল্ডোনা ৪৫ অমসুং ৪৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা টিমগী ৫শুবা পাঞ্জল ওইখি। অমরোমদা, এস এল ৱাই ওগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু বর্লিননা ৪৯শুবা মিনটতা চনখি।

## ১৯শুবা সভেন মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, নভেম্বর ২৯ (ঐচএন এস):
ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা মৈপৌ সোক্কর য়ুঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা লাইচীং মৈপৌ শান্নবুংদা ঙসি ১৯শুবা সভেন মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২১ হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা তেংনৌপল এ সীগী এম এল এ দি কোরুংথাংনা চীফ গেষ্ট ওইখি। লোয়ননা ফঙ্কসনগী প্রসিদেন্ট অদুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মমাংদা এ দি সী মেম্বর ওইরম্লবা খুলপুৱা মোরুংনা ওইখি। লোয়ননা গেষ্ট ওফ ওনরশিং অদুনা মচি পি ঐচ সীগী এম ও ডা. এম মকুংঙা, এস সী ঐচ মোরেগী এম ও দাংশাৱাং মরিং অমসুং অনসমগী জেনরেল সেক্রেটরি সাইরেলকো সিঙ্গেরনা ওইখি।

ঙসি অহানবা মেটচতা গ্রুপ সীগী ওইনা কাংশঙ এ অমসুং খলেয়া য়ুনাইটেদ এফ সীগা শান্নবদা অপীবা মতমদা পাঞ্জল চন্নখিদবদগী পেনাল্টি কাওনবদা কাংশঙ এনা ৩-২দা থোইখি।

## ষ্টেট লীগ ফুটবোল হৌরগনি

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌবা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ দিসেম্বর ৬তগী লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌরগনি। পূন্না টিম ১৭না লম্বা তৌনগদৌরিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদ্রিঙৈ দিসেম্বর ৩গী পুং ১ তাবা মতমদা অন্ফাগী ওফিসতা টুর্নামেন্ট অসিগী কনভিনর ওইরিবা এল নবাবু শরুক য়ারিবা টিমশিংগী মেনেজরশিংনা উনগদবনি হায়রি। টিম এদা শরুক য়ারিবশিং অদুদি বি এম রাও, জি এস সী, এস এস য়ু, ৱাই য়ু এফ সী, ট্রাও এফ সী, এস য়ু, ক্লাসা, নেরোকা অমসুং কে আই ৱাই সীনি। গ্রুপ বিদা এম পি এস সী, নিশা, এম এ, এ আই এম, ৱাই পি ঐচ য়ু, নাকো, এ এফ সী অমসুং য়ু কে বি চুড়াচান্দপুরগী টিমনি। অহৌবা নুমীৎতা এম পি এস সী অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু শান্নগনি।

## থাঙ-তা ৱর্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস):
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন নম্বোল ককয়াইনা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা নুমীৎ ১০নি চুপ্পা চথুরকপা থাঙ-তা ৱর্কশোপ ঙরাং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা ট্রেনিং হোলদা লোইশিনখ্রে।




লোইশিনবগী থৌরম অদুদা রিটায়র্দ আই পি এস, বি জে পি মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটসু ওইরিবা থৌনাওজম বসন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট ওইখি। ঙরাংগী থৌরম অদুদা রিটায়র্দ গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী চোংথাম অমুচৌনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থাঙ-তা এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট থিয়াম কোরা, সোল ৱর্কর ঙাঙোম ইবোমচা, রিটায়র্দ গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী পাওনম কৈরুংবা অমসুং থাঙ-তা লোইশঙ সনা কোনুংগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি মোইরাংথেম বিনোই মৈতৈনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা থৌনাওজম বসন্তকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস ওইরিবা থাঙ-তা অসি য়াম্না য়ুনিক ওইবা আর্ট অমনি হায়না শীংথাবগা লোয়ননা থকশি-খাশিগী মরুওইবা কয়াসু তাকপীখি। লোয়ননা আর্ট অসি মপূং ফানবা হোৎনবদা ঐখোয় লাইরিক-লাইশু নীংথিনা তমদুনা হেন্না মপূং ফানবা হোৎনগদবনি হায়না ৱর্কশোপ অদুদা শরুক য়াখিবা অমদি ঙরাং লোইশিনবগী থৌরম অদুদা তিনখিবা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

## অহানবা টেষ্ট মেটচ ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেনশিংনা দ্রো চংহনখ্রে

কানপুর, নভেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াগা শান্নবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদু ঙসি অরোইবা নুমীৎতা রন ২৮০ লৌরগা থোইগদবা অদু য়ৌবা ঙমখিদ্রবসু মখোয়গী বেটসমেন ১০মক আউট ওইবা ঙমহনখিদবদগী লৈবাক অনী দ্রো চংখ্রে।

ঙরাং ন্যু জিলেন্দগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ১ তুরগা রন ৪দগী হৌরকখিবনি। ওপনর টোম লেথমনা ইন্দিয়াগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্নখি। মহাক্না ৱিলিয়মগনা রন ৭৯ ফাওবা পুশিল্লকখি। ৱিলিয়ম আউট ওইখিবদগী কেন ৱিলিয়মসনগা লেথমগনা মখা তানা ইন্নিংস চথুরকপদা অপূনবা স্কোর ১১৮ য়ৌরকখি। লেথম মশাগী রন ৫২দা আউট ওইখি। ইন্দিয়াগী বোলর রবিচন্দ্রন অস্বিন অমসুং রবিন্দ্র জাদেজানা মখা তারকপা ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদুগী বেটসমেন ৬ শুপ্নগী রন ২৯ পীরগা আউট তাহন্দুনা ফজবা ঙমখি। ন্যু জিলেন্দগী অপূনবা স্কোর ১৪৭ শুরকপদা বেটসমেন ৮ আউট ওইখিবনি। অপূনবা স্কোর ১৫৫ শুরকপদা ৯শুবা বেটসমেন অদুসু আউট তাখি। অদুবু রসিন রবিন্দ্র অমসুং লাষ্ট মেন অজাস পটেলনা ইন্দিয়াগী বোলিং এটেক অদুবু নীংথিনা মায়োক্নদুনা মখা তানা আউট ওইহনখিদবদগী ওভর ৯৮ শান্নবা লোইশিল্লকপদা টিম অদুগী স্কোর ১৬৫দা লৈরগা মেটচ অদু ইন্দিয়াবু মখোয়না থোইহন্দনা দ্রো চংহনবা ঙমখ্রে।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী স্পিন্নর রবিচন্দ্রন অস্বিননা মহাক্কী টেষ্ট করিয়রগী ওইনা ৪১৮শুবা ৱিকেট অদু লৌদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ৱিকেট য়াম্না লৌবা ঙম্বা অহুমশুবা বোলর ওইরি। অনিল কুমব্লেনা ৬১৯দা মকোক্তা লৈরি। অদুগা কাপিল দেভনা ৪৩৪দা অনীশুবদা লৈরি। অনীশুবা টেষ্ট মেটচ দিসেম্বর ৩দা মুম্বাইদা শান্নগনি।

## করাটে এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মহুৎতা করাটে ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসন ওইনা শকখঙলগনি

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৯(ঐচ এন এস):
মণিপুর এমেচর করাটে দো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট হানসি কিরনকুমার থাংজমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা শকখঙলবা করাটে স্পোর্টসকী অমত্তা ঙাইরবা ইন্টরনেসনল বোদি ওইরিবা ৱর্ল্ড করাটে ফেদরেসননা করাটে এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াবু দিসএফিলিএট তৌরবা মতুং করাটে ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসন (কেআইও)বু শকখঙলগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ১৫দা দুবাইদা ফমখিবা ৱর্ল্ড করাটে ফেদরেসনগী কোঙ্গ্রেসনা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী ওইনা ফেদরেসন অসিদা কে আই ওবু পর্মেনেন্ট ওইনা এফিলিএট তৌরে হায়রি। নৌনা এফিলিএট তৌরবা কে আই ও অসিগী প্রসিদেন্টনা বিজয় টিৱারিনা ওইগনি। লোয়ননা জেনরেল সেক্রেটরিনা সঞ্জিব জঙ্গ্রা অদুগা ট্রেজররনা মণিপুরদগী মুতুম বঙ্কিমনা ওইগদৌরি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা করাটে শান্নরোয় অমদি মশীং য়াল্লবা কোচ কয়ানা করাটে এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া মুখৎলগা করাটে ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসনবু নৌনা ৱর্ল্ড করাটে ফেদরেসননা শকখঙদুনা এফিলিএট তৌরকপদা অপেনবা ফোঙদোক্নরক্লি।

কে আই ওনা হন্দক্তা দুবাইদা পাঙথোকখিবা ২৫শুবা ৱর্ল্ড করাটে চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় অমদি কোচশিংদা লুপা লিশিং ৪০/৪০গী শেলগী মতেং পীখিবা অদুনা চাওনা পূক্নিং থৌগৎতুনা ইরাক, হঙ্গেরি অমসুং কুৱেটকী শান্নরোয় কয়াবু মায়থীবা পীদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি। আই ও এনা কে আই ওবু অথুবদা রিকগ্নাইজ তৌগদবনি হায়রি।

## আই এম সী সীনা এস এস সী থোইখ্রে, জি এম সী অমসুং সেবা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চংখ্রে

মোইরাং, নভেম্বর ২৯ (ঐচএন এস):
দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংনা শীন্দুনা হেমাম নিলমণি ঙাংখলম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথুরকপা অহানবা লেট কে বুধি সিংহ মেমোরিয়ল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২০-২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আই এম সী সীনা এস এস সীবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা জি এম সী অমসুং এস ঈ ভি এ পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চংখ্রে।

আই এম সী অমসুং এস এস সীগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপদা লম্বা মান্নরম্বদগী ২৩শুবা মিনটতা আই এম সী সীগী জর্সি নম্বর ৮ এস ইকেন্দ্রজিৎনা পাঞ্জল ১ চনশিল্লগা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাফতা মখা তানা টিম অনীমক অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মেটচ অদু আই এম সী সীনা ১-০দা থোইখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা জি এম সী অমসুং এস ঈ ভি এগী লম্বা অদু হৌবদগী মান্নরকপা মরম্না মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকুবা ফাওবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা মেটচ অদু দ্রো চংখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): ফুটবোলগী লম্‌দা মণিপুর টিমগী মহুৎ শিন্দুনা নেসনল প্লেয়র অমা ওইরম্বা ইম্ফাল ইষ্টকী সোইবম লৈকাইদা লৈবা ময়েংবম প্রেমচান্দনা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা এসোসিএসন অসিনা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা থেংনরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রক্লি।

ꯑꯦꯜ.ꯖꯤ. ꯃꯣꯇꯔꯁ

# EMPLOYMENT NEWS


- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst. (Graduate)-2, Driver
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst. (Graduate), Car wash Helper-2, Driver
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-1, Grade IV-1
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
- SEKMAI BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2

N.B. : Branch খুদিংমক্কী য়াম্না নকনা লৈবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীজগনি।

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994

HL-B/7200/5/10-30/11 (alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 304

**GM Tang, Andrew (2538) - FM Svane, Frederik (2421)**
**Speed Chess Super Swiss chess.com INT (11), 2020.10.03**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 Bb4 | 4.Qc2 O-O |
| 5.Nf3 b6 | 6.e4 Bxc3+ | 7.bxc3 d6 | 8.e5 dxe5 |
| 9.dxe5 Nfd7 | 10.Bd3 h6 | 11.Bh7+ Kh8 | 12.Be4 c6 |
| 13.Qe2 Nc5 | 14.Bc2 Ba6 | 15.Bf4 Nbd7 | 16.Rd1 Qe7 |
| 17.h4 Rfd8 | 18.Bg5 hxg5 | 19.hxg5+ Kg8 | 20.Rd4 Nf8 |
| 21.Rdh4 Ng6 | 22.Rh5 Qd7 | 23.Nd4 Bxc4 | 24.Bxg6... |

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 303 Ans. :**

39. ...Bxf4+ The black bishop deflects White's rook away from protecting the square g3. 40. Rxf4 Qg3+ 41. Rf3 Qe1+ 42. Kd4 Qe5+ 43. Kxc4 Qe4+ The black queen forks White's king and rook. 44. Kc5 Qxf3 45. Qd6+ Kc8
39. ...Bxf4+ 40. Rxf4 Qg3+ 41. Rf3 Qe1+ 42. Kd4 Qe5+ 43. Kxc4 Qe4+ 44. Kc5 Qxf3 45. Kd6 Bc8 0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com